# জে এন্দ কেদা অহেনবা লান্মী থাজিন্দুনা টেন্সন ৱাংখৎলকপগী মতাংদা অমিত সাহনা ইন্টেলিজেন্স চীফশিংগী মীফম কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

কাস্মির তম্পাক্তা অহেনবা লান্মী থাজিন্দুনা টেন্সন ৱাংখৎলকপগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবাল, ইন্টেলিজেন্স ব্যুরোগী চীফ অরবিন্দ কুমার, রিছার্স এন্দ এনলাইসিস ৱিংগী সমন্ত গোয়ল, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরী রজিব গোবা অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসলশিং উনদুনা খন্ন-নৈনখ্রে।



ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট মতুং ইন্না টেররিষ্টশিংনা কাস্মির তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লোন্না চঙশিল্লক্তুনা মখল মখা কয়াগী এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী তঙাইফদনা মশিং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থাজিনখিবনি। লোয়নন মপান্দগী লম কোইরকপা মীওইশিং অমদি অমরনাথ যাত্রাদা শরুক য়ারিবা মীপুম খুদিংমক খুদক্তা হনখিনবা খঙহনখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ান আর্মিগী রিপোর্ট অমনা হায়, জুলাই ২৯দগীনা ৩১ ফাওবগী মরক্তা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিষ্টশিং কয়ারক হন্না ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখি। কিরন সেক্টর মনাক্তা আর্মিনা পাকিস্তানগী বোর্দর এক্সন টিম (বি এ টি)গী মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মফম অদুদা হৌজিকসু নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নরি হায়না ছোর্স অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহীদগী জম্মু এন্দ কাস্মিরদা সিক্যুরিটি পার্সনেল মশিং য়াম্না থাজিল্লকপগা লোয়নন পেরামিলিটরি পার্সনেল ৩৫,০০০ হেন্না থাজিল্লকপা লৈখ্রে। ইখঙ খঙহৌদনা মশিং য়াম্লবা লান্মীশিং থাজিল্লকপগী মতাংদা সেন্টরনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫ (এ) লৌথোক্কদৌরে হায়বা তোকঙা অমা শন্দোরকখি। ষ্টেটকী গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্কদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না শেংদোকখি।

চৈরকসিদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা মীফম কৌদুনা কাস্মির তম্পাক্তা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হেটেল অমদা ঙসি পোলিটিকেল পার্টিশিং মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপদা পুলিসনা অয়াবা পীখিদবা মরম্না অতোপ্পা মফম অমদা ওইনা মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু জম্মু এন্দ কাস্মিরদা সিক্যুরিটি পাসর্নেল মশিং য়াম্না থাজিল্লক্তুনা টেন্সন ৱাংখৎলকপগী মতাংদা স্রিনগরগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা তম্বা মহৈরোইচা কয়া ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রে। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপখিবা মহৈরোইশিং ঙরাং অহিংদগী হৌনা কেপিটেল সিটি জম্মু তম্না চৎনখি। স্কুলগী মহৈরোই অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মতিক চাবা মরম অমত্তা পীবা তৌদনা মতম খরা ক্লাস তৌবা লেপ্লগনি হায়না মেনেজমেন্টনা খঙহল্লকপদগী মহৈরোইশিং পোক্লফম লমদম তম্না চৎনখিবনি।

জম্মু সাউথকী সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট স্রিকান্ত বলাসাহেব সুসেনা হায়খি মদুদি এন আই টিগী মহৈরোই ৩০০ রোম মদ্রাজ জন্তা, স্রিশক্তি, মলৱা অমদি হপ্পা এক্সপ্রেস ট্রেন তোংদুনা ময়ুম মায়কৈ পাংখ্রে। লৈহৌরিবা মহৈরোই ১৩০সু বেগমপুরা এক্সপ্রেস তোংলগা হলহনখ্রগনি।

অমরোমদা গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্কদি ৱাখলনা শাগৎলগা তোঙান-তোঙানবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইদুনা চরাংনবা ফিভম থোকহন্দনবা হোৎনবিয়ু হায়না মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে।

এ এন আইগা ৱারী শান্নখিবা অমদা মালিক্না হায়খি, জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মতাংদা সেন্টরনা করিগুম্বা মখোয়গী থৌরাং অমত্তা লোন্না-থুপ্না পায়খৎলকপা তৌরোই। করিগুম্বা তঙাইফদনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলকপা তারবসু ইফোঙ ফোঙনা পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা লৌরগা পায়খৎলকপনি। মরম অদুনা অরানবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম্না মীপায়বা পোক্লিংঙাই ওইদে।

# তোঙান-তোঙানবা কোর্টশিংদা কেস লাখ ২ পন্দুনা লৈরি ঃ সি জে আই



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

কেস কয়ামরুম পন্দুনা লৈবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইনা হায়খ্রে মদুদি কেস লাখ ২ হেন্না তোঙান-তোঙানবা কোর্টশিংদা চহী ২৫ রোম পন্দুনা লৈরক্লি। চহী ৫০ হেল্লবসু কেস ১০০০গী ৱায়েল পীবা ঙমদ্রি।

থৌরম অমদা ৱা ঙাংখিবদা জষ্টিস গোগোইনা হায়খি, কেস কয়ামরুম পন্দুনা লৈবগী মতাংদা মীয়াম্না জুদিসিয়ারিদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লবসু কেসশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা ইকজিক্যুটিবনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌদে। চহী ৫০ হেল্লবা কেস ১০০০ পন্দুনা লৈরি অমসুং চহী ২৫ হেল্লবা কেস লাখ ২ রোম পন্দুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংগী মতাংদা চীফ জষ্টিসনা হায়খি, পন্দুনা লৈরিবা সিভিল লাখ ৫০গী মনুংদা লাখ ২০ রোমদি সমোন নোটিস ফাওবা থাবগী ফিভমদা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা জজশিংনা ট্রাইয়েল চথুবা ঙমদবনি। কেসকী সমোন থাবা হায়বসি ইকজিক্যুটিবকী মথৌনি। লৈঙাক্কী মরু ওইবা মশা অমা ওইরিবা ইকজিক্যুটিবনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবা মরম্না কেস কয়ামরুম পন্দুনা লৈহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জুলাই ১০দা পাঙথোকখিবা মীফম অমগী মতাংদা জষ্টিস গোগোইনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা হায়কোর্টশিংগী চীফ জষ্টিসশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নখিবদা চহী ৫০ হেল্লবা অমসুং চহী ২৫ পন্দুনা লৈরক্লবা কেসশিং অথুবা মতমদা ৱায়েল চথনবা খঙহনখি।

হায়কোর্টকী জজশিং থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬৫দা হেনগৎহন্দুনা ৱায়েলগী থবক থৌরম পুন্নমক মতম চানা পাঙথোকপা ঙমহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অসাম য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা চহী ৫০ হেন্না পন্দুনা লৈরক্লবা কেস অমত্তা লৈতে। অদুবু চহী ২৫ রোম পন্দুনা লৈরক্লবা কেস ১০৬ লৈরি। ট্রাইয়েল কোর্টশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক ফাওবদা অহাংবা ফম ৪,০০০ মেনশিনখিবগা লোয়নন চহী অসিগী মনুংদা অতোপ্পা ফম ১,৫০০ মেনশিন্নবা পান্দম থল্লি।

# ওরিষাগী চান্দিপুরদা কিলোমিটর ৩০ শান্না কাপ্পা ঙম্বা ক্বিক রিএক্সন মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে

বালাশ্বর, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

ওরিষাগী টেষ্ট রেঞ্জ অমদা ঙসি ইন্দিয়াগী মফম মতম নাইদনা শীজিন্নবা য়াবা ক্বিক রিএক্সন সর্ফেস টু ইয়র মিসাইল (ক্যু আর এস এ এম) মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে।





দিফেন্স রিছার্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না ইন্দিয়ান আর্মিগীদমক শেমগৎপা মিসাইল অদু কিলেমিটর ৩০ শান্না কাপ্পা ঙম্মী হায়রি। দি আর দি ওগী ছোর্স অমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুং ১১.০৫ তাবদা চান্দিপুরগী ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জ (আই টি আর)দা মোবাইল লোঞ্চ য়ুনিট অমদগী মিসাইল অদু চাংয়েং তৌখিবনি।

সোলিদ ফ্যুল প্রোপেলেন্ট শীজিন্নবা অমসুং কিলোমিটর ৩০ শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল অদু কুমজা ২০১৭কী জুন ৪দা অহানবা ওইনা চাংয়েং তৌবা লৈখ্রবনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৬ তসু নোংমখক্তদা অনীরক হন্না মিসাইল অসি মায় পাক্না চাংয়েং তৌখি।

হিরম অসিগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়ানা অতোপ্পা লৈবাক অমবু নমথনবগী পান্দমদা মিসাইল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পায়খৎপা নত্তে। ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সেসনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মথক্তা মিসাইল শীজিন্নদুনা এটেক চথবগী ৱাফম লৈরোই।

ভারত দাইনামিক্স লিমিটেদ (বি দি এল বি) গোল্ডন জুবিলি থৌরমদা ৱা ঙাংখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, পাকিস্তাননা বাবর, গৌরি অমদি ঘজনবিনচিংবা মিসাইল কয়া শেমগৎতুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মথক্তা এটেক চথনবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী ওইনদি মালেমদা ইং তপ্পা পুরক্ক বগী পান্দমদা মিসাইল প্রোগ্রাম পায়খৎপনি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা পৃথিবী, অকাস, অগনি, ত্রিসুল অমসুং ব্রহমোসনচিংবা মিসাইল কয়া শেমগৎপা লৈখ্রে। ইন্দিয়ানা শেমগৎলিবা মিসাইল পুন্নমক লৈবাক ঙাক্কবগী পান্দমদা শেমগৎপনি। অতোপ্পা লৈবাক অমদা এটেক চথনবগী ৱাখল্লোনদা মিসাইল প্রোগ্রাম পায়খৎপা নত্তে।

টেররিজমদা অফবা অমসুং ফত্তবা হায়বা লৈতে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মালেমদা টেররিজম মপুং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং লৌখৎলি।

# হেল্থ মিনিষ্টর উনদুনা এইমসকী ডাক্তরশিং খোঙজং হন্দোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধনগা উনরবা মতুংদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিং খোঙজং হন্দোকখ্রে।



এইমসকী দিরেক্টরদা থারকপা চেরোল অমদা রেসিদেন্ট ডাক্তর্স এসোসিয়েসন (আর দি এ)না হায়খি মদুদি নেসনল মেদিকেল কম্মিসন (এন এম সি)গী রেগুল্যেসন শেম্বদা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম অমত্তা য়াওহল্লোই হায়না থাজবা পীরক্লে।

কম্মিসনগা মরী লৈনবা রেগুল্যেসন শেম্বদা এইমসকী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিং অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং য়াওহনগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা এইমস অমদি সফদরজং হোস্পিটালগী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা সফদরজং হোস্পিটালগী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিং মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লি। অথুবা মতমদা রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখাতাবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা ৱারেপ লৌগদৌরি।

এইমসকী ওইনদি খোঙজং চঙশিল্লম্বা ডাক্তরশিং খোঙফম হন্দোক্তুনা মশা মশাগী মথৌ তৌনবা ফিরেপ লৌরে হায়না খঙহল্লকখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ডাক্তরশিংগা উনখিবা মতমদা মরুওইনা খন্নখিবা ৱাফমদি এইমসতা অন্দর গ্রেজুয়েট কোর্স তম্লবগী মিং চনবা অমসুং ইগজিৎ টেষ্ট পাঙথোকপগী মতাংদনি।

বিলগী সেক্সন ৫৭ মতুং ইন্না মথৌ তাবা রেগুল্যেসন শেম্লদাইদা এইমসকী আর দি এ অমসুং মহৈরোইশিং তান্নরমগনি হায়না মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি। মিনিষ্টরগা উনরুরবা মতুংদা রেসিদেন্ট ডাক্তর্স এসোসিএসনগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লগা খোঙজং হন্দোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

এন এম সি বিলগী মখাদা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সি আই) মুত্থৎলগা অতোপ্প বোদি অমনা মহুৎ শীল্লগনি হায়রি। খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিব ডাক্তরশিংনা এন এম সি বিল এমেন্দ তৌদবা থোক্লবদি মেদিকেল এদ্যুকেসনগী ফিভম শোক চিল্লকপগা লোয়নন অনা-লায়েংগী লমদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরগনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

# লৈঙাক্না টেক্স টেররিজম থিংবা ঙমদ্রে ঃ মোহনদাস

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

মীওই কয়ানা টেক্স থিদবা মরম্না লল্লোল ইতিক তৌবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরে হায়না ইনফোসিসকী দিরেক্টর ওইরম্বা মোহনদাস পাইনা ফোঙদোকখ্রে।



এন দি টি ভিগা অখন্ননা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, লল্লোল ইতিক তৌবদা খ্বাইদগী চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা অসিগী মরম টেক্স টেররিজমনা ওইহল্লকপনি। লৈঙাক্না থৌওং অসি মপুং ফানা লাকশিল্লগনি হায়না কয়ারক হন্না লাউথোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না টেক্স টেররিজমগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অরানবা মওংদা টেক্স থিবা অমদি লৌবগী থৌওং চথদুনা মীচম মীয়ামগী শেল অরেম্বদা মাংহন্নবগী মচাক ওইরে।

কুমজা ২০১৪দা মতমদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা মীয়ামদা কয়ারক হন্না থাজবা পীখ্রবসু মতম চানা টেক্স খোমগৎপা ঙমখিদে। হৌখিবা চহী ৫গী মনুংদসু মীপুম খুদিংমক্না অচুম্বা মওংদা টেক্স থিবগী থৌওং চত্থখিদে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

গভর্ণমেন্ট অমসুং চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার (সি ই ও)শিংগী মরক্তা তোইনা উনদুনা খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মমাঙ চয়োলদা কোফি দেগী মপু ভি জি সিদার্থনা মশা মথন্তা শীজখিবগী থৌওং অদুসু মতম চানা টেক্স থিবা ঙমদবদগী ওইহল্লকপনি হায়রি। কোফি দেগী মপুনা টেক্স থিখিদবগা লোয়নন ষ্টাফশিংগী তোলোপ মতম চানা পীখিদবা মরম্না মশা মথন্তা শিজনবগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

# পটনা য়ুনিভর্সিটিদা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টেটস পীগদৌরি

পটনা, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী ৭শুবা খ্বাইদগী লিরবা য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা পটনা য়ুনিভর্সিটিদা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টেটস পীনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট এম বেঙ্কয়ানাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

পটনা য়ুনিভর্সিটিগী লাইব্রেরিনা চহী ১০০ শুরকপগী কুমওন থৌরম হৌদোক্লদুনা ভাইস প্রসিদেন্ট বেঙ্কয়ানাইদুনা হায়খি, নলান্দা য়ুনিভর্সিটিনচিংবা মমিং লৈরবা মহৈ তম্ফম লোইশঙ কয়ামরুম লৈবা মরম্না চহী কয়াগী মমাঙদগী বিহারনা মহৈ মশিন তম্বগী লমদা খুৎমাং চাওশিন্দুনা লাকখি। সাইন্স, টেক্নোলোজি, জুদিসিয়রি, এদ্যুকেসন অমদি মীয়ামগী ইহৌদসু বিহারনা লৈবাক অসিগীদমক শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

পনটনা য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখিবা মতমদা বিহার খক্তা নত্তনা মপান লৈবাক কয়াদগী অখন্নবা মীৎয়েং চংলকখি হায়না পল্লদুনা ভাইস প্রসিদেন্ট বেঙ্কয়ানাইদুনা হায়খি, কুমজা ১৯৭০গী পরিংদা সোসলিষ্ট লুচিংবা জয়প্রকাস নরায়ননা লুচিংদুনা মহৈরোইশিংগী ইহৌ অমা হৌখিবদসু য়ুনিভর্সিটি অসিদগী হৌরকখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর বিধান চন্দ্র রাইসু য়ুনিভর্সিটি অসিদা তম্লকখিবনি।

# অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবগী মতাংদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতিগী মীফম ওগষ্ট ১০দা পাঙথোক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

রাহুল গান্ধি না ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগী মতাংদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতি (সি দব্লীয়ু সি)গী মীফম অমা ওগষ্ট ১০দা পাঙথোক্কদৌরি।

ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিতিগী জেনরেল সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন) কে সি ভেনুগোপালনা হায়খি ওগষ্ট ১০দা সি দব্লীয়ু সিগী মীফম পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে। এ আই সি সিগী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবগী ৱাফম খন্ন-নৈনখিগনি।

কোংগ্রেসকী ওইনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা বোদি ওইরিবা সি দব্লীয়ু সিনা মপুং ওইনা খন্নগদৌরিবা ৱাফমদি পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী মতাংদনি। রাহুল গান্ধিগী ফম থাদোকপগী ৱাফম মীয়াম মাঙদা লাউথোকখিবা মরম্না পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খনবগী ৱাফম লাকপনি হায়রি।

সসি থরুর য়াওনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা অথুবা মতমদা সি দব্লীয়ু সিগী মীফম পাঙথোক্লবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক ফাওবা পার্টি প্রসিদেন্টকী মতাংদা লৈখাই তাদবা মরম্না মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়েকানরে হায়না কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদরশিংনা ফোঙদোকখি।

থা খরগী মনুংদা হরিয়ানা অমদি মহারাষ্ট্রগী এসেমব্লী মীখল পাঙথোক্কদবা লৈবনা অথুবা মতমদা অনৌবা পার্টিগী প্রসিদেন্ট খনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা হৌখিবা মে ২৫দা সি দব্লীয়ু সিগী মীফম পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা রাহুল গান্ধি না ফম থাদোকপগী ৱাফম পুখৎলকপদা পার্টিনা অয়াবা পীখিদে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীফমদা কোংগ্রেসনা ইকাইনিংঙাই ওইবা মওংদা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধি না পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইবা তোক্লবগী ফিরেপ লৌখিবনি। মায়কৈ কয়াদগী থেমজিন্নবা হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবা রাহুলনা ফম থাদোকপগী ফিরেপ হন্দোকউ হায়বা য়াদ্রি।

# চন্দ্রয়ান ২দগী নম্লকপা মালেমগী ফোটোগ্রাফশিং ইসরোনা থাদোরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

চন্দ্রয়ান ২গী বিক্রম লেন্দরনা নম্বা মালেমগী ফোটোগ্রাফ খরা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আইএসআরও)না থাদোরকখ্রে। ফোটোশিং অদু আই এস আর ওনা ঙসি ত্বিটরদা থাদোরকখিবনি।





থা লৈবাক্কী মরমদা থিজিনবা চৎখিবা চন্দ্রয়ান ২না ঙরাং এল ১৪ কেমেরা শীজিন্নদুনা নমখিবা মালেমগী ফোটোগ্রাফশিং ত্বিটরদা থাদোরক্তুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা উহনবা ফঙখি। ষ্টেটমেন্ট অমদা আই এস আর ওনা হায়খি মদুদি, চন্দ্রয়ান ২না ওর্বিট অমা লানশিন্দুনা থা লৈবাক্কী মনাক নকশিনবা ঙম্লে। ওগষ্ট ৬কী নুংথিল পুং ২.৩০দগীনা পুং ৩.৩০ ফাওবগী মনুংদা অতোপ্পা ওর্বিট অমগা লানশিন্দুনা থা লৈবাক্কী মরমদা হেন্না কুপ্না থিজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

হৌখিবা জুলাই ২৪, ২৬ অমদি ২৯দসু মথং মথং ওর্বিট লানশিনবা ঙমখ্রবনি। থা লৈবাক্কী মরমদা অকুপ্পা ৱাফমশিং ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্নবগী পান্দমদা আই এস আর ওনা জুলাই ২২দা অনীরক শুবা ওইনা থা লৈবাক তম্না চন্দ্রয়ান ২ থাগৎখি।

জিওসিনক্রোনস সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকল-মার্ক ৩না পুখৎখিবা স্পেসক্রাফ অদুগী মতেংনা থা লৈবাক্কী মরমদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন কয়া ফংবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। চন্দ্রয়ান ২ স্পেসক্রাফতা কিলোগ্রাম ২,৩৭৯ লুম্বা ওর্বিটর ৮, কিলোগ্রাম ১,৪৭১ লুম্বা লেন্দর ৪ অমসুং কিলোগ্রাম ২৭ লুম্বা রোভর ২ য়াওরি।

ওগষ্ট ২০দা চন্দ্রয়ান ২না থাগী লৈমায়দা থুংলুবগা লোয়নন সেপ্টেম্বর ৭তা থাগী লৈমায়গা মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা মরু ওইবা রিপোর্ট কয়ামরুম খোমজিন্নবা হোৎনগদৌরি।

আই এস আর ওগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সেপ্টেম্বর ৭তা লেন্দরনা থাগী লৈমায়দা থুংগনি হায়রি। চন্দ্রয়ান ২ থাগৎখিবগা লোয়নন থা লৈবাক্কী মরমদা থিজিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈবাক ৪গী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমা ওইরে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রসিয়া অমসুং চাইনানা মমাঙদা স্পেস মিসন চথদুনা থা লৈবাক্কী মরমদা কুপ্না থিজিনবা লৈখ্রবনি। মালেমগী ৪শুবা লৈবাক ওইনা ইন্দিয়ানসু হিরম অসিগী মতাংদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসনশিং খোমজিন্নবগী পান্দমদা চন্দ্রয়ান ২ থাগৎখিবনি।